# মোদি লৈঙাক চহী ৩ মপুং ফারে, পায়খৎখিবা থবকশিং মথং মনাও নাইনা ফোঙদোরক্লি















*ন্যু দিল্লি, মে ২৬ঃ*
চহী ৩০গী মতুংদা বি জে পিনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ৩ মপুং ফারে। টিম মোদিনা লৈবাক অসিদা অহোংবা অমা পুরক্লুবা শেম শাদুনা লৈ।

চহী ৩ অসিগী মনুংদা নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ)না পায়খৎখিবা থবক থৌরম কয়া লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌশিলশিং অদুগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি জনধন য়োজনা- য়োজনা অদুগী মখাদা ইং ২০১৪গী ওগষ্ট ২৮দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জনধন য়োজনা হৌদোক্তুনা মীয়ামদা শেল-থুমগী মতেং পীননবা হোৎনখি।

মেক ইন ইন্দিয়াগী থৌশিল পায়খৎখ্রে। থৌশিল অদুগী মখাদা মলটি নেসনেল কম্পেনিশিংদা পুক্লিং থৌগৎতুনা ইন্দিয়াদা পোথোক পুথোক্লুবা অকনবা থবক পায়খৎখ্রে। থৌশিল অদু নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০১৫গী সেপ্টেম্বর ২৫দা হৌদোকখিবনি।

থৌরাং অদুগী মখাদা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টকী চপ চাবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। মদুগী মতুংদা স্বচ ভারত মিসন পায়খৎখি। তরু তনানবা ইনিদয়া অমা ওফিসিয়েল ওইনা ইং ২০১৪গী ওক্টোবর ২দগী পায়খৎপা হৌখি।

মালেমগী মনুংদা ইন্দিয়ানা তরু-তনানবা ফিভম অমা শেগৎনবা খ্বাইদগী চাওবা থবক পায়খৎপা অহানবা লৈবাক ওইরি। মিসন অদুগী পান্দমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা তরু-তনাননা লৈহনবা অমসুং লক্ষাংদা খোঙ হান্বা লৈহন্দনবা থবক পায়খৎপনি। মিসন অদু হৌজিক মখা তানা চত্থরি।

মদুগী মতুংদা বেটি বচাও, বেটি পর্হাও অবিয়ান থৌশিল পায়খৎখি। থৌশিল অদু ইং ২০১৫গী জনুৱারি ২২দা হৌদোকখি। থৌশিল অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি নুপী মচাশিংদা শাফবা অমা ওইহন্নবা এৱেয়ারনেস কেম্পেন চত্থবা হায়বসিনি।

নুপা-নুপী খঙদোক্লবা হোৎনবা, অঙাং নুপী মচাশিংবু অশোই অঙাম য়াওদনা হিংহনবা অমদি নুপী মচাশিংনা শোইদনা মহৈ মশিং তমহনবা হায়বসিনি হায়রি।

মদুগী মতুংদা দিজিটেল ইনিদয়াগী থৌশিল পায়খৎখি। থৌশিল অদুগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈবা মীপুম খুদিংমক্তা ওন লাইন ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইন্টর্নেট কনেক্টিভিটি হেনগৎহন্দুনা টেক্নোলোজিগী লমদা দিজিটেল ইম্পৱারমেন্ট লৈহনবা হায়বসিনি।

ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়াগী থৌশিল পায়খৎলে। থৌশিল অদু বেঙ্কশিংদা শেল পীথোকপা হেনগৎহনবা অমদি ইন্টর্প্রেনিয়রশিং পুক্লিং থৌগৎপা লোয়ননা থবক হেন্না পীবা হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লি।

ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়াগী থৌশিল মখাদা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব, নুপীশিংবু ইন্টর্প্রেনিয়র অমা ওইহনবা হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লি।

মদুগী মতুং দিমোনিটাইজেন পায়খৎখি। ইং ২০১৬কী নভেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাংজৌননা লেপথোকখিবা মতম নত্তবদা টেলিভিজন চেনেলশিংদা ইন্দিয়াদা চৎনরিবা ৫০০ চৎপী অমসুং ১০০০ চৎপী বেঙ্ক নোটশিং চৎনররোই হায়না লাউথোকখি। মদুগী মহুৎ ৫০০ চৎপী অমসুং ২০০০ চৎপীনা মহুৎ শীন্দুনা চৎনহনগনি হায়না লাউথোকখি।

থৌশিল অদুগী মতাংদা লৈঙাক্লা হায়, অরুবা তানফম অসিদা শেল-থুমগী ফিভম য়েংশিন্নবা জালি নোট অমদি লালহৌলুপশিংদা শেল থাদবশিং লাকশিন্নবগীদমক দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল পায়খৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পি লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলে। মদু লৈঙাক অসিগী অখন্নবা থৌশিল অমনি। মদুনা মরম ওইরগা বি জে পিনা অসাম, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা চাওনা মায় পাকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

---

# ব্রাজিল জেলদগী বন্দি ৯১ নাম্থোকখ্রে




*সাউ পাওলো, মে ২৬ঃ*
অৱাং নোংপোক থংবা ব্রাজিলগী জেল অমদগী ঙরাং বন্দি ৯১ নাম্থোকখ্রে। বন্দিশিং অদু ফুট ১০০ রোম শাংবা খোং তৌদুনা জেল অদুদগী নাম্থোকখিবনি হায়না ব্রাজিল মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

জেল অদুদগী নাম্থোকখিবনি হায়বা বন্দি ৯দি পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক অতোপ্পা বন্দি ৮২দি থিবা ফংদ্রে হায়না এজেন্সিয়া ব্রাসিল ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

অলকা কজ জেলদগী বন্দি ৫৬ নাম্থোকখিবা মতুং হন্দক্কী থৌদোক অসিনা খ্বাইদগী চাওনা জেলদগী বন্দিশিং নাম্থোকখিবা অহানবা থৌদোক ওইরে। চহী অসিদা ব্রাজিলদা হিংশাগী তম্বা ঙমদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুং জেল অদুদা বন্দি মশিং হেন্না থমজিনখি।

পেরু অমসুং কম্বোদিয়াগী ঙমখৈ পরিংশিংদা কোকাইন দ্রগ পুরক্তুনা যুরোপতা পুশিল্লক্লবগী লম্বী অমা লৈবগা লোয়ননা অদুগুম্বা ত্রাফিকিং থৌওং অদু লাকশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎখি।

পরনামিরিম প্রিজনদা বন্দি মশিং হেন্না থমজিনবগী ৱাথোক কয়াসু লৈরিবনি। হায়রিবা মফম অদুদগী ঙরাং বন্দিশিং অদু লৈনুংহুৎতুনা নাম্থোকখিবনি। মীওই ৩৮২ খক্তমক থমগদবা জেল অদুদা মীওই ৫৮৯ থমজিনখি হায়রি।

ইং ২০১৪ লোইরকপা ফাওবদা জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অদুদা তোঙান-তোঙানবা মরালগী মখাদা বন্দি ৬,২২,০০০ জেলদা থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী ওইনা ব্রাজিলদা ফাদোক তাবা মীগী মশিং খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈরি। মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং রসিয়াদগী হেল্লবনি হায়রি।

---

# শ্রীলঙ্কাদা কুমগী নোংনা মীওই ২৫ শীহনখ্রে

*কলম্বো, মে ২৬ঃ*
শ্রীলঙ্কাদা অকনবা কুমগী নোং চুরকপনা মরম ওইরগা লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাও থোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শীরে। অদুগা ৪২না থিবা খঙদ্রে হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টরনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা নোংনা লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাও থোকহনবদগী মীওই লিশিং ৮ লোম মযুম মকৈ লৈহন্দ্রে। কালুতরাগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা য়ুম কয়া মাং তাকখ্রে। লমদম অদুদা শাখিবা মওংদা মাং তাকপগী থৌদোক থোক্লে হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টর (দি এম সি)না ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৫ শীখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে। লোয়ননা মীওই ৪২ মাংখ্রে হায়রি। চহী অসিদা চুরক্লিবা কুমগী নোং অদুনা চাওনা অমাং অতা থোকহল্লে। ইং ২০১৬কী মে থাদা লৈবাক অদুগী কোনুং কলম্বো ফাওনা চেনবা তুরেল তোর্ব্বান কাইবনা মরম ওইরগা অনেম্বা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনবদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাংখিবসু লৈখ্রে।

লৈঙাক্লা ইন্দিয়ান ওসিনদা তাগদবা কেলানি তুরেল খোঙবানদা লৈবা মীওইশিংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। তুরেল অদুগী ঈমায় হৌজিক লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি হায়রি।

লৈবাক অদুগী হায়দ্রো পৱার রিজাবরশিং ঈশিং থন্না লৈরে। মদুতা নত্তনা মফম কয়াদা মাং তাকপগী থৌদোক থোক্লি। চয়োল অসিদা কা হেন্না নোং চুরকপনা মরম ওইরগা রিজাবর কয়াগী ঈশিং ঈমায় কা হেন্না ৱাংলে। মদুনা মরম ওইরগা রিজাবরশিংগী স্পিল ৱেদা ঈশিং থাদোকপা হৌখ্রে হায়রি।

GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......07/03/2017
Valid from ........... 05/03/2017
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......22/03/2017
Valid from ........... 08/03/2017
Stk ..................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......08/03/2017
Valid from ........... 07/03/2017
Stk ..................................306
Aadhra Link Only
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......31/03/2017
Sl. No. Upto 60180
Valid from ........... 20/03/2017
Stk ..................................306
FIRST COME FIRST SERVE

**KHORIPHABA LPG SERVICE, NAMBOL**
Booking upto .......09/03/2017
Sl. No. .......................... 6504
Valid from ........... 08/03/2017
Stk ..................................306
Timing........7.00 to 09.00 a.m

**MAIBAI GAS, MOIRANG**
Booking upto .......09/03/2017
Valid from ........... 07/03/2017
Stk ..................................306
Sl. No. Upto ................ 4450
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**JEMON GAS, MAYANG IMPHAL**
Booking upto .......01/03/2017
Valid from ........... 02/01/2017
Sl. No. .......................... 2498
Stk ..........................612 CTC
Timing........7.00 to 09.30 a.m

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto .......31/03/2017
Valid from ........... 27/03/2017
Stk ..........................306 CTC
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......22/03/2017
Valid from ........... 20/03/2017
Stk ..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

---

# মীরেপশিংনা মশাগী অমসুং লোইনবীগী শেঙ্হোক লাউথোকপা তঙাইফদে ঃ ই সি আই




*ন্যু দিল্লি, মে ২৬ঃ*
মীরেপ ওইগদবশিংনা হৌজিক মশাগী লন-থুমশিং লাউথোকপদা নত্তনা মহাক্কী লোইনবীগী শেঙ্হোক অমদি লন-থুমশিং মীখল থেংনগদবা মতমদা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। মদুনা ইলেক্সন থৌশিলদা মনুং মপান ফাওনা উহনবা ঙমগনি হায়রি।

লৈঙাক অসিনা হৌজিক ইলেক্সন রুল এমেন্দ তৌদুনা নোমিনেসন ফাইল তৌবগী এফিদেবিটতা মহাক মশা অমসুং লোইনবীগী শেঙ্হোক অমদি লন-থুমশিং লাউথোকহল্লগনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা মমাঙ চহীদা লো মিনিষ্ট্রিদা পুখৎখ্রে। কম্মিসননা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা হোৎনবগী থৌশিল অমগী মখাদা ফিভম অদু শেমগৎনবা হোৎনবনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টতা লানখৎখিবা এফিদেবিট অমদা শাফবা দিমোক্রেসি অমা লৈহনবা ভোটরশিংদা মখোয়না ভোট পীগদৌরিবা কেনিদদেট মশা অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী শেঙ্হোকশিং খঙবগী তঙাইফদবা লৈ।

হিরম অসিগী মতাংদা লো মিনিষ্ট্রিনা এপ্রিল ৭তা নোটিস অমা থোকখিবা লৈখ্রে। মদুগী মমাঙদা মীরেপশিংনা মখোয়গী শেঙ্হোক অমসুং লন-থুমশিং লাউথোকহনবনি হায়না খঙহল্লি।

ফোর্ম ২৬তা হায়রিবা হিরমশিং অদু লাউথোক্লবগী মফম পীরি। মীখলগী এফিদেবিটতা কেনিদদেটশিংনা মশাগী শেঙ্হোক, ইমুং মনুংগী লন-থুম অমদি শেঙ্হোকশিং খঙহন্দুনা ভোটরশিংদা মখোয়গী অপাম্বা খন্নবা তাঞ্জা পীগদবনি হায়নসু ইলেক্সন কম্মিসননা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী মীখলদা ইন্দিয়াদা লৈবা মীওই খক্তনা মীখল থেংনবা য়াই। মদুগী মতুং ইন্না নোমিনেসন ফাইলগী ফোর্মদা মহাক ইন্দিয়ান সিটিজেন অমা ওইব্রা নত্রগা ওইদ্রবা হায়বা হংবা কলম য়াওরি।

কেন্টিদেটশিংনা মহাক ওফিস পায়রিব্রা নত্রগা পায়দব্রা খঙহনগদবনি। মদুগা মান্ননা মীরেপশিংনা লৈঙাক্কী কম্পেনি অমগী মেনেজর ওইরিব্রা হায়বদুসু খঙহনগদবনি। অদুগুম্বা ফম পায়রবদি মীখল থেংনবা য়ারোই হায়রি।

---

# আর এস এসকী নত্তবা প্রসিদেন্ট মীরেপতা ওপোজিসন পার্টিনা শৌগৎকনি

*ন্যু দিল্লি, মে ২৬ঃ*
কংগ্রেস, লেফ পার্টি, ত্রিনামুল কংগ্রেস, জনটা দলনচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা আর এস এসকী নত্তবা য়ান্নবা প্রসিদেন্ট মীরেপতা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসনগী পার্টি ১৭কী মীফম লোইরবা মতুং কংগ্রেসগী সেনিয়ার লিদর গুলাম নবি অজাদনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা কন্সটিট্যুসনগী চৎনা কাংলোন ঙাক্পা ঙমগদবা প্রসিদেন্ট মীরেপতা শৌগৎকনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অদুদা নেসনেল পার্টি নত্তবা অপিকপা রিজনেল পার্টি- ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন ওফ মুস্লিম লিগ, জে এন এম অমসুং কেরলা কংগ্রেসনচিংবসু শরুক য়াখি।

লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা য়ান্নবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মরু ওইবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট খন্নবা ফিরেপ লৌগদবনি। য়ান্নবা মীরেপ অমা পুথোকপা হায়বদু মমাঙদগী চৎনরক্লবা কাংলোন অমনি। আর এস এসকী প্রসিদেন্ট মীরেপ নত্তবা কন্সটিট্যুসন ঙাক্লা চৎকদবা প্রসিদেন্ট মীরেপতা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোক্লি।

হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রনাব মুখর্জিদি মখা তানা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইররোই হায়না মশানা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা কাংলুপ নাইদবা অমদি কন্সটিট্যুসননা চৎনা পথাপশিং ঙাকপা ঙমগদবা মীরেপ অমা দরকার ওইরি। মদুগীদমক ওপোজিসন পার্টিনা চপ চানা লেপ্লি।

রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক (আর এস এস) পার্টিগী নত্তবা য়ান্নবা প্রসিদেন্ট মীরেপতা ওপোজিসন পার্টিশিংনা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফমসু ঙসি ওপোজিসন পার্টি ১৭কী মীফমদা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

ওপোজিসনগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পার্টিশিং-কংগ্রেস, লেফ পার্টি, ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং জনটা দল য়ুনাইটেদনা ৱারেপ অদুদা অয়াবা পীবগা লোয়ননা আর এস এস নত্তবা প্রসিদেন্ট মীরেপ শৌগৎকনি হায়রি।

---

# অফগান বেজদা টালিবানশিংনা এটেক্ট চত্থরকপদা লান্মী ১৫ শীরে

*কন্ধার, মে ২৬ঃ*
কন্ধারগী খা থংবা প্রোভিন্সতা লৈবা লান্মীগী বেজ অমদা টালিবানশিংনা এটেক্ট চত্থরকপদা অফগান লান্মী ১৫ শীখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অদুগুম্বা এটেক্ট অদু চয়োল অসিদা অনীরক শুবা এটেক্ট অমনি। শগোলশেন নুমিৎতা সহাৱালি কোদ দিষ্ট্রিক্টতা এটেক্ট চত্থরক্তুনা অফগান লান্মী ১০ হাৎখিবা লৈখ্রে।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা বেজ অদুদা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা থোমজিল্লক্তুনা অকনবা এটেক্ট চত্থরকখি। এটেক্ট অদুদা লান্মী ১৫ শীখি। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখি হায়রি।

টালিবানশিংনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা চত্থরকখিবা এটেক্ট অদুদা লৈখিদ্রবা লান্মীগী মশিং ২০ ওইগনি হায়না প্রোভিন্সিয়েল ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

টালিবানশিংনা স্প্রিং ওফেন্সিপ ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং লালহৌলুপ অদুনা পাক শন্না এটেক্ট চত্থরক্লি। ফিভম অদুনা কন্ধারদা ইন্সর্জেন্টশিং মপাঙ্গল কনখৎলক্লে হায়বা তাক্লে।

লমদম অদুদা মমাঙ চহীদগী লান্মীগী চেকশিন থৌরাং হেনগৎহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎখ্রবনি। পুলিসকী মকোক অমসুং রিজনেল ষ্ট্রোং মেন জেনরেল অব্দুল রাজিককী মীৎয়েং মখাদা লমদম অদুদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং পায়খৎখিবনি।

রাজনিতি তৌবা মীওই কাংলুপ খরনা কন্ধারবু হেলমন অমসুং উরুজগন প্রোভিন্সগুম্না ইরাং লৈবা মফম অমা ওইহন্নবা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী কন্ধারদা চত্থরকখিবা এটেক্ট অদুগী মতাংদা মতেং পীরকপা লৈত্রি হায়রি। এটেক্ট অদুনা নাটোনা শৌগৎপা অফগান ফোর্সতা নিংহন্নবা পোকহল্লে।

মমাঙ থাদা টালিবানশিংনা বলখগী অৱাং থংবা প্রোভিন্সতা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা এটেক্ট চত্থদুনা লান্মী ১৩৫ হাৎখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

---

# মোসুলদা এয়ারষ্ট্রাইকনা মীচম ১০০ শীহনখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে

*ইরবিল, মে ২৬ঃ*
য়ু এসনা লুচিংবা কাংবুনা মোসুলদা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থবদা ইরাক্কী মীচম ১০০ হেন্না শীখ্রে হায়বা পেন্টাগোননা কনফার্ম তৌখ্রে। লমদম অদুদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংসু পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকহল্লে। পুন্না লমদম অদুদা মীওই ১০০ শীখ্রে হায়বদু চুল্লে হায়রি।

চপ চানা ফোঙদোকপা নত্তবা পাউগী লিখুল অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা য়ু এস মিলিটরিনা পাউন্দ ৫০০ লুম্বা বোমশিং এয়ারষ্ট্রাইকতা শীজিন্নখি হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা লৈবনি হায়বা বিল্ডিংশিংদা অতম্না বোম থাদদুনা বিল্ডিং কয়া নিংখায়হনখি। বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী স্নাইপর অনী অমসুং মীচম ১০৫ শীখ্রে।

নাকল অমরোমদা মীচম ৩০ রোমসু শীখ্রে হায়বগী রিপোর্ট লৈ। অদুম ওইনমক পেন্টাগোননা খঙলবা ফিগর অদুগী মনুংদদি চনিদ্র। ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনবা বিল্ডিংশিংদা বোম থাদবদা নিংখায়রবা য়ুমশিং অদুগী অতেক অকায় মরক্তুগী হকচাং ২০০ হেন্না লৌথোকপা ঙল্লে হায়বগী রিপোর্ট অমসু লাক্লে।

ইস্লামিক ষ্টেটকী মথক্তগী হৌখিবা চহী ৩দগী চত্থরকখিবা এয়ারষ্ট্রাইকশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী মীশি মীনা নংহনবা থৌদোক অমা ওইরি হায়রি।

---

# মাংখিবা এয়ারফোর্সকী সুকোই ৩০ ফাইটরগী অতেক-অকায়শিং চাইনগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদগী ফংলে

*ন্যু দিল্লি, মে ২৬ঃ*
মাংখিবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ফাইটর সুকোই ৩০ জেটকী অতেক অকায়শিং চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংগী উমং অমদগী ফংখ্রে। ফাইটর জেট অদু পাইলোট অনী তোংখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অহিংব মী লৈবগী খুদুম ফংদে হায়রি।



অসামগী টেজপুরদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা লৈবা অশুকপা উমং অমদা এয়ারক্রাফ অদুগী অতেক অকায়শিং ফংবা ঙল্লে। এয়ারক্রাফ অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মাংখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লমদম অদুদা ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম ফত্তবনা অশুকপা উমং অদুদা সর্চ ওপরেসন চত্থবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই লেফটিনেন্ট কোলোনেল সোম্বিট গোসনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

এয়ারক্রাফ অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা রুটিন ৱার্ক চত্থনবগীদমক পায়খৎখিবনি। পায়খৎখিবা মতম খরগী তুংদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ ফাওবদা এয়ারক্রাফ অদুগী পাইলোটকা পাউ ফাওনবা ঙমখিবগী রেকোর্দ লৈ। মতম অদুদা এয়ারক্রাফ অদু টেজপুরগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা মফমদা লৈ হায়বা খঙনখি।

হৌজিক এয়ারক্রাফ অদুগী অতেক অকায়শিং হায়রিবা মফম অদুমক্তদা থেংনরে। টেজপুর এয়ারফোর্স ষ্টেসন অদু চাইনাগী ঙমখৈ পরিংদগী কিলোমিটর ১৭২ লাপ্পা লৈবনি। রসিয়ানা শাবা ইঞ্জিন অনী পানবা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ অদু মখল খুদিংমক্কী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা পায়বা ঙম্বা এয়ার ক্রাফ অমা ওইবতা নত্তনা অতিয়াদগী অতিয়া, অতিয়াদগী লৈমায়দা মিসন কয়া পাঙথোকপা ঙম্বা এয়ারক্রাফনি হায়রি।

ইং ১৯৯০দা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ অদু ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা ইন্দক তৌখি। লান্মীদা খুৎশিন্নখ্রবা মতুং অদুগুম্বা এয়ারক্রাফ অদু কায়বগী থৌদোক ৬ লৈখ্রে। রজস্থানগী বরমর এয়ারবেজদগী পায়খৎখিবা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ কায়খিবগী থৌদোক থিগৎপগী থবক চত্থদুনা লৈরিবনি।

বরমরদা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ কায়খিবা অদুদি পোইলোট মতম চানা ইজেক্ট তৌদুনা হিংহৌখি। অদুম ওইনমক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ অমা অসামগী টেজপুরগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ৬০ রোম চৎপা মফমদা সুকোই ৩০ এয়ারক্রাফ কায়খিবা অদুদদি পাইলোটশিং হিংলিব্রা নত্রগা শীখ্রবা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

---

# এ পিগী টৱাংদা শোইবদগী মোটার সেল পোকখায়বদা লান্মী ১ শীরে, ৬ শোক্লে

*কোলকতা, মে ২৬ঃ*
অরুনাচল প্রদেশকী টৱাংদা লৈবা ফাইয়ারিং রেঞ্জদা ঙরাং ত্রেনিং ওইনা মোটার সেল কাপ্পদা শোইবদগী নক্লনা তাশিল্লকপনা মরম ওইদুনা লান্মী ১ শীরে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে।

শোক্লবা লান্মীশিং অদু হেলিকোপ্টরদা পুদুনা টেজপুরদা লায়কন্নখ্রে। শোক্লবশিংগী মনুংদা মীওই ৩দি টেজপুর হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। অদুগা ফিভম লুনা শোকপা মীওই ৩না কোলকতাদা লৈবা লান্মীগী কম্মান্দ হোস্পিটালদা থাংদোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

পাউগী লিখুল অসিনা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোইবা লৈবদগী মোটার অদু নক্লা তাশিল্লত্তুনা পোকখায়খি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কোর্ট ওফ ইনক্কারি চত্থনবা খঙহনখ্রে। ইনক্কারিগী রিপোর্ট অদু নুমিৎ ১০নি ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

কোর্ট ওফ ইনক্কারিনা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না তৌফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকনি হায়রি। অদুগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোক অদু মহৌশাগা মান্নদবা অমনি। থৌদোক অদুদা মীওইবগী পুন্সি মাংখিবা অদু লাইবক থিবনি।

লিটল টিবেট হায়নসু খঙনরিবা টৱাং ইন্দিয়ানা খুদুম চল্লি। অদুম ওইনমক চাইনানা লমদম অদু মখোয়গী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা মুক্লবা কয়া থোক্লি। ইং ২০১৬কী জনুৱারিদা রজস্থানগী জয়সালমর দিষ্ট্রিক্টতা শোইবদগী মোটার সেল পোকখায়বদা বোর্দর সিক্যুরিটি পার্সোনেল ২ শীখিবা অদুগা পার্সোনেল ৫না অশোক অপন নংখিবসু লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদু রুটিন এক্সসাইজ ওইনা লান্মীশিংদা মোটার কাপ্পগী ত্রেনিং পীবদা শোইবদগী পোকখায়রক্তুনা লান্মী ২ শীহনখিবনি হায়রি।

মদুগা মান্ননা টৱাংদা রুটিন এক্সসাইজ ওইনা ফাইয়ারিং রেঞ্জদা ত্রেনিং পীরিঙৈদা কাপ্পা মোটার সেল অমা শোইবদগী নক্লা তাশিন্দুনা পোকখায়রকখি। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাং লান্মী ১ লৈখিদ্রে। অদুগা ৬না অশোকপ অপন নংহনখি হায়রি।

SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-872**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | 6 | 2 | 1 |
| | 9 | 2 | | | 6 | | | 3 |
| 8 | | | | | | | 9 | |
| | 1 | 3 | | | 4 | | | |
| | | 5 | 3 | | | 2 | | |
| | | | | | 7 | 8 | 3 | |
| | | 1 | | | 5 | | | |
| | | | 2 | 4 | | | | |
| | | | 8 | 9 | | 7 | | |

সনা-সুদোকু- ৮৭১ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 5 |
| 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 3 | 5 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 8 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 | 5 | 6 |